ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ রেদ ক্রোসনা ম্যান্মার মীয়ামদা মতেং পীনবা শেম শাবা হৌখ্রে

য়াঙোন, জুন ০৮ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারদা হৌখিবা থা ৪ রোম অসিদা লৈবাক অদুগী মীয়াম অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা কা হেন্না উংখৎনরকপদগী তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহল্লিবা অদুগী য়েংলগা মতেং পাংনবগীদমক ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ রেদ ক্রোসনা শেম শাবা হৌখ্রে হায়না ম্যান্মার রেদ ক্রোসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ম্যান্মার রেদ ক্রোস সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. টিন জো সোনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২,৩৬,০০০ হেন্না চাবা ফংদবা অমদি লৈফম লৈতবগী অৱাবা ময়োক্লরি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক্তা ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা অমুক্কা হেন্না লৈবাক অসিদা মীশি মীনা থোকহল্লবা য়াবগী অকিবা লৈরি। লৈবাক ঈরাংনা মরম ওইরগা হৌজিক ম্যান্মারদা কোভিদ-১৯ না নারবা মীওই কয়া লৈরিবগে অমদি কয়া শিহনখ্রবগে হায়বগী চপ চাবা রিপোর্টসু ফংবা ঙমদ্রি। মখা তানা অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈরবদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথিবা থোক্লবা য়াবগী অকিবা লৈবনা রেস ক্রোস সোসাইটিনা মতেং পাংনবা ফীরেপ লৌরকখিবনি।

ম্যান্মারদা মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী ইকোনোমিগী ফীভমসু নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি। মসিনা মরম ওইরগা নোংমগী শুরগা চারিবা মীওইশিং অমদি অপীকপা প্রাইভেট কম্পনিশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদসু চাওনা চৈথেং পীরি। লৈবাক অসিদা হৌজিক খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তারিবদি অৱাবা তারবা মীওইশিং অসিবু তেংবাং পীবনি।

ম্যান্মারদা হৌজিক অৱাবা তারবা মীয়ামশিংদা মতেং পীনবা রেদ ক্রোসকী ভোলন্টিয়র ২,০০০ হেন্না মথৌ তৌনবা শেম শাদুনা লৈরে অমদি মফম খরদদি মতেং পাংবগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে। রেদ ক্রোসকী ভোলন্টিয়রশিং অসিনা হৌজিক্কী ওইনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মুক্নবগী থৌদোক্তা অশোক অপন নংলবা মীওইশিং খুদক্কী ওইনা এইদ পীবা অমদি মথৌ তাবশিংগী ওইনা এম্বুলেন্স সর্ভিস লেপ্না পীরি।

অমরোমদা মুনসুন সিজন লাকপা হৌরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা অমুক্কা হেন্না খুদোংথিবশিং নংহল্লবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না ভোলুন্টিয়রশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টি পি এল এফতা মতেং পাংবদগী টিগ্রেগী মীয়াম অৱাফমদা তাখিবনি: ইরিত্রি

অসমারা, জুন ০৮ (এজেন্সী) :

ইথিওপিয়াগী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা টিগ্রেদা হৌজিক তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লাকপদগী মফম অদুগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া ময়োক্লরিবা অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) তা অহেনবা মতেং পাংশিনবদগীনি হায়না ইরিত্রিনা মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা টিগ্রেদা ইরিত্রিনা কা হেনবা থৌওংশিং চথখি হায়রিবদু য়ুন্ফম য়াওদবনি হায়রি।

হৌখিবা চহী দিকেদ কয়াদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টি পি এল এফতা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা টি পি এল এফ অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবশিংনা মনিং তম্না ইথিওপিয়াদা চহী ৩০ রোম হেন্না তৌনিংবতা তৌদুনা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা লৈবাক অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা পৱার পায়রক্লবা মতুং টি পি এল এফকা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অসিনা ইথিওপিয়া লৈঙাক্কী ৱা তাবগী মহুত্তা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংদা টর্গেট তৌদুনা এটেকশিং চথবা হৌরকখিবনি।

মমাং চহীগী নভেম্বর থাদসু অবিনা লুচিংবা লৈঙাক্না টিগ্রেদা অহেনবা ফোর্স কয়া থাজিন্দুনা খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অদুবু মফমদুদগী তকথোক্লবা হোৎনখি। নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদগী মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংদা চৈথেং কয়া পীরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা অবিনা মহাক্কী ফোর্সশিং অমুক হন্দোকহনখিবনি।

ইরিত্রিগী মায়কৈদগীসু নাকল অনীগী মরক্তা থোক্লিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিং অদুবু লোয়শিনহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টি পি এল এফতা অহেনবা মতেং কয়া পীবা লেপ্তুবনা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদনা লাকখিবনি। ইরিত্রিনা হোৎনরিবা অসিবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা মওংদা য়ু এসনা অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্লি। টিগ্রেগী মীয়ামদা ইরিত্রিয়ন ফোর্সশিংনা অহেনবা থবক থৌওং কয়া চথরে হায়না মরাল শিরি। মসিমক য়ুন্ফম য়াওদবা ঙাক্তনি।

য়ু এসনা মশাগী কান্নবা খরগী য়েংলগা থবক তৌরিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী ইন্টরনেল মেটরশিংদা খুৎ থিংজিন্দুনা লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক কয়া থোকহল্লি। অদুবু য়ু এসনা চথরিবা থবক থৌওংশিং অসি ঙসিদি মালেমগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা লেপ্পবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকখ্রে। ইথিওপিয়াদা থোক্লিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা লাল অসিনা মরম ওইরগা হৌজিকফাওবদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে অদুগা মিলিয়ন কয়া অমনা ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখ্রে। টিগ্রেদা হৌজিক লৈহৌরিবা মীওইশিং অদুসু মফম অদুদা লালনা কা হেন্না অমাং অতা থোকহনখিবনা মরম ওইরগা চানবা পোৎলমশিং ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লরি। ইন্টরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনসু হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চংবা হৌরকখিবগা লোয়ননা তেংবাং পীনবা শেম শাবা হৌনখ্রে। টিগ্রেদা হৌজিক খ্বাইদগী মথৌ তারিবসি চানবা চীঞ্জাক অমদি থক্লবা ঈশিংনি হায়রি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা দাইনোসোরগী ফোসিল থেংনখ্রে

ব্রিসবেন, জুন ০৮ (এজেন্সী) :

অষ্ট্রেলিয়াদা ঙসিদগী চহী ১৫ রোমগী মমাঙদা ফংখিবা দাইনোসোরগী শরূ অদুগী মতাংদা সাইন্টিষ্টশিংনা কুপ্পা থিজিল্লবা মতুং দাইনোসোর মখল অদুবু কুপ্পর হায়না মমিং থোনখিবগা লোয়ননা মালেমদা লৈরম্বা দাইনোসোরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা দাইনোসোরনি হায়না পেলিওন্তোলোজিষ্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পেলিওন্তোলোজিষ্টশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, কুপ্পর হায়না মিংথোল্লবা দাইনোসোর মখল অসি টিটানোসোরগী মনুং চল্লি। শা মখল অসি মিটর ২৫দগী ৩০ ফাওবা শাংই অদুগা, ফিট ১৬-২১ ফাওবা ৱাংই। শা মখল অসি ঙসিদগী চহী মিল্লিয়ন ১০০ রোমগী মমাঙদা অষ্ট্রেলিয়াদা মরাঙ কায়না লৈরমগনি হায়না থাজনরি। অষ্ট্রেলিয়াদা ফংখিবা দাইনোসোর ফোসিলশিংগী মনুংদা হৌখিবা কুমজা ২০০৬তা ফংখিবা ফোসিল অসিনা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা ওইরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইরোমাঙা নেচরেল হিষ্টরি ম্যুজিয়মগী দিরেক্টর রোবিন মেকেঞ্জিনা ফোঙদোকখিবদা, ফোসিল অসি হৌখিবা কুমজা ২০০৬তা ব্রিসবেনগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা মাইল ৬২০ লোম চৎলগা লৈবা ফার্ম অমদগী ফংখিবনি। সাইন্টিষ্টশিংনা অচৌবা শরূ অদু ফংলবা মতুং মফমদুদা মখা তানা তৌথোক্তুনা থিবগী থবক চথখি। কুমজা ২০০৭তা সাইন্টিষ্টশিংনা ফংখিবা শরূশিং অদু মীয়ামদা উৎথোক্লবা মতুং থিজিনবগী থবক চথদুনা লাকখিবনি।

কনাদাদা ট্রক দ্রাইভর অমনা মুস্লিম ইমুং অমগী মীওই মরী অতম্ননা থোমদুনা হাৎখ্রে

ওটাৱা, জুন ০৮ (এজেন্সী) :

ইস্লাম লাইনীং চৎপা মীওইশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবা মানবা মওংদা ঙরাং কনাদাদা ট্রক দ্রাইভর অমনা মহাক্না থৌরক্লিবা ট্রক অদুনা ইমুং অমগী মুস্লিম ৪ অতম্ননা থোমদুনা হাৎখ্রে হায়রি।

মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা ট্রক দ্রাইভর অদুনা লম্বী নাকলদা লৈবা ফুট পাথতা লাকখিবা মুস্লিমশিং অদুবু তুংদগী গাড়ীনা থোমদুনা হাৎখিবনি। মহাক থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মফমদুদগী থুনা য়াঙনা চেনখি। অদুবু পুলিসনা কিলোমিটর ৭ লোম তান্নরবা মতুংদা মহাক ফাবা ঙমখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা দিটেক্টিভ সুপরিন্টেন্টেন্ট পোল রাইটনা ফোঙদোকখিবদা, কনাদাদা মুস্লিমশিংবু টার্গেট তৌদুনা ভিক্টিম ওইহনবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবগীদমক পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। ঙরাংগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদু ইমুং অমগী মীওই ঙাক্তনি। পুন্না মখোয় ৫ লাকখিবগী মনুংদা ৪না থৌদোক থোকফমদা লৈখিদবনি। অদুগা অমনা শোকপদগী মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লাইকন্নরি হায়রি। অমরোমদা, থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মীওই অদুগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউহংগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী মখা তারক্লি।

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	174,437,896	+67,513	3,753,898	+2,001	157,989,166	12,694,832
1	USA	34,227,306	+69	612,702		28,177,659	5,436,945
2	India	28,996,949		351,344		27,341,462	1,304,143
3	Brazil	16,985,812		474,614		15,408,401	1,102,797
4	France	5,713,917		110,062		*5,425,197*	178,658
5	Turkey	5,293,627		48,255		5,167,350	78,022
6	Russia	5,145,843	+9,977	124,496		4,752,085	269,262
7	UK	4,522,476		127,841		4,277,098	117,537
8	Italy	4,233,698		126,588		3,918,657	188,453
9	Argentina	3,977,634		81,946		3,560,148	335,540
10	Germany	3,710,341		89,965		3,549,900	70,476
11	Spain	3,707,523		80,236		3,490,978	136,309
12	Colombia	3,593,016		92,496		3,340,543	159,977
13	Iran	2,980,116	+8,846	81,362		2,578,263	320,491
14	Poland	2,875,729	+400	74,255		2,646,340	155,134
15	Mexico	2,434,562	+881	228,838		1,941,913	263,811
16	Ukraine	2,216,654	+1,602	51,333		2,101,722	63,599
17	Peru	1,984,999		186,757		N/A	N/A
18	Indonesia	1,869,325	+6,294	51,992		1,717,370	99,963
19	South Africa	1,699,849		57,063		1,581,540	61,246
20	Netherlands	1,664,427		17,681		*1,535,788*	110,958
21	Czechia	1,663,998	+386	30,193		1,627,106	6,699
22	Chile	1,434,884		30,058		1,355,224	49,602
23	Canada	1,394,146		25,761		1,345,523	22,862
24	Philippines	1,280,773	+4,777	22,064		1,202,257	56,452
25	Iraq	1,229,121		16,566		1,146,745	65,810
26	Sweden	1,080,733		14,508		*1,004,543*	61,682
27	Romania	1,079,154	+202	31,155		1,043,371	4,628
28	Belgium	1,071,271	+469	25,041		985,968	60,262
29	Pakistan	935,013	+1,383	21,376		867,447	46,190
30	Portugal	853,034		17,036		812,174	23,824
31	Israel	839,585		6,418		832,981	186
32	Bangladesh	815,282	+2,322	12,913		755,302	47,067
33	Hungary	806,206	+117	29,883		718,577	57,746
34	Japan	762,401		13,574		706,644	42,183
35	Jordan	740,502		9,541		721,895	9,066
36	Serbia	713,840		6,924		701,411	5,505
37	Switzerland	698,798	+429	10,844		659,808	28,146
38	Austria	647,322	+243	10,647		631,869	4,806
39	Malaysia	627,652	+5,566	3,536		541,319	82,797
40	Nepal	595,364	+3,870	8,098		504,530	82,736
41	UAE	587,244	+2,205	1,704		566,677	18,863
42	Lebanon	541,628		7,769		524,500	9,359
43	Morocco	521,530		9,181		509,277	3,072
44	Saudi Arabia	458,707		7,471		441,860	9,376
45	Ecuador	432,739		20,814		398,645	13,280
46	Bulgaria	419,681		17,854		386,693	15,134
47	Greece	410,166		12,301		382,817	15,048
48	Belarus	401,019	+597	2,929		393,237	4,853
49	Kazakhstan	395,832	+768	4,096		369,024	22,712
50	Slovakia	390,546	+95	12,423		*376,572*	1,551
51	Bolivia	389,994	+2,832	15,082		308,971	65,941
52	Panama	382,851		6,404		368,653	7,794
53	Paraguay	375,996		10,005		309,120	56,871
54	Croatia	357,786	+178	8,096		348,469	1,221
55	Tunisia	356,750		13,027		312,979	30,744
56	Georgia	350,428	+1,023	4,951		335,029	10,448
57	Azerbaijan	334,747		4,945		327,114	2,688
58	Costa Rica	331,920		4,228		249,209	78,483
59	Uruguay	318,783		4,692		279,387	34,704
60	Kuwait	318,676		1,798		302,393	14,485

কিম জোং অননা সেনিয়র ওফিসলশিংগা উন্নদুনা খন্নখ্রে

সিওল, জুন ০৮ (এজেন্সী) :

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং অননা লৈবাক অদুগী সেনিয়র ওফিসলশিংগা উন্নদুনা ইকনমিগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মতাংদসু মরু ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়রি।

ষ্টেট মীদিয়া কে সী এন এগী রিপোর্ট মতুংইন্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী ইকনমিগী ফিভমদা অচৌবা চৈথেং পীরক্লি। মসিগী মথক্তা মালেমগী লৈবাক খরনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখিবনা মরম ওইরগা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা লৈবাক অদুগী ইকনমিগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক কিমনা সেনিয়র ওফিসলশিংগী উন্নদুনা খন্নখিবনি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ওফিসল ওইনা কনফার্ম তৌবা লৈত্রি। অদুবু লৈবাক অসিদা কোভিদকী কেস লৈরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। মরমদি নোর্থ কোরিয়ানা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ পাকশন্না শন্দোকপা হৌরকপা মতমদা চাইনাগা লল্লোন ইতিককী থবক থৌরম কয়া চথখি। লৈবাক অতৈশিংনা ঙমখৈগী শরুক থিংজিনখ্রবসু নোর্থ কোরিয়াদি মতম শাংনা ঙমখৈগী শরুক থিংদনা লাকখিবনি। অমরোমদা লৈবাক অদুনা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ পুবা ঙম্বা খুৎলাইশিং লোগী ৱাংমদা য়াম্না তোয়না চাংয়েং চথখিবা অদুগী মায়োক্তা ৱাশিংটননা ইকনমিগী ওইবা থবক থৌরমশিং য়াওনা নোর্থকী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখিবনি।

চহী ৩ শুরবা অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পদা অয়াবা পীখ্রে

বৈজিং, জুন ০৮ (এজেন্সী) :

চাইনাদা লৈবা দ্রগ মেকরশিংনা মশাগী চহী ৩ মপুঙ ফারবা অঙাংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পদা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা চহী নৌরিবা অঙাংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী অয়াবা পীবা লৈবাক চাইনানা অহানবা ওইরে হায়রি।

মালেমদা অহানবা কোরোনাভাইরসকী ৱেভনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীখ্রবা মতুং কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ হৌরকফমনি হায়রিবা চাইনাদদি তপ্না তপ্না লাইচৎ অসিবু কন্ত্রোল তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা হৌজিকফাওবগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ৭৭৭ হেনবদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী দোজশিং কাপখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সিনোভাক ভেক্সিন পুথোক্লিবা কম্পনিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা চাইনানা পুথোক্লিবা সিনোভাক ভেক্সিন অসি কোভিদ-১৯গী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না ইফেক্টিভ ওইবা ভেক্সিন অমনি। চহী ৩ মপুঙ ফারবা অঙাংদা ইমর্জেন্সি কেসতা ভেক্সিন অসি কাপ্পা মতমদা হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইদে। ফার্মাটিকেল কম্পনি অসিনা টেষ্ট মখল কয়া পাঙথোক্লবা মতুং চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা ভেক্সিন অসি কাপ্পগী অয়াবা পীখিবনি। অদুমওইনমক, করম্বা মতমদগী হৌরগা অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা হৌগদগে হায়বগী মতাংদদি চপ চানা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

চাইনিজ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, চহী অসিগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৭০দি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্লবা পান্দম থল্লি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননসু চাইনানা পুথোক্লিবা সিনোফার্ম অমসুং সিনোভাক ভেক্সিন অনীমক এপ্রুভ তৌখ্রবনি।

ক্রেমলিন ক্রিটিক এলেক্সে নভালনি জেলদা অমুক থাজিনখ্রে

মোস্কো, জুন ০৮ (এজেন্সী) :

জেল মনুংদা ওথোরিটিশিংনা ট্রিটমেন্ট ফজনা চথবিদে হায়দুনা চরা হেনবগী খোঙচঙ চঙশিন্দুনা লাকখিবা ক্রেমলিন ক্রিটিক এলেক্সে নভালনিগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী মোস্কোদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎলক্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখিবনি। হোস্পিটালদা নুমিৎ মরিনিরোম ট্রিটমেন্ট চথরবা মতুং অমুক হন্না মহাক জেলদা পুরকখ্রে হায়রি।

রসিয়ন ওথোরিটিনা লৈবাক অদুগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙই হায়বগীদমক নভালনিবু চহী অনী মখায়গী জেল ফাদোক পীখিবনি। মহাক হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা রসিয়ন ওথোরিটিনা ফারবা মতুং জেলদা থল্লকখিবনি। হৌখিবা চহী ২০১৯দসু মহাকপু রসিয়ন ওথোরিটিনা ফাজিনদুনা জেলদা থল্লুবনি। মতমদুদা নর্ভ এজেন্ট অমনা মহাকপু ফুন্দ পোইজনিং তৌদুনা হাৎনবা হোৎনরমখিবনি।

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা খ্বাইদগী হেন্না নক্কবা লম্বা ওইরিবা নভালনিনা লৈঙাক অদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজঙদা পুল্লিং থৌগৎলি হায়বগী মরালদা মহাকপু ফাজিনখিবনি। মহাক ফাজিনখ্রবা মতুং জেলদা হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী ট্রিটমেন্ট চথনবা হায়রুবদা জেল ওথোরিটিনা থবক ওইনা ওন্থোরক্তবদগী পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা চরা হেনবগী খোঙজঙ চঙশিনবা হৌখিবনি।

অমরোমদা, রসিয়াদা লৈরিবা প্রো দেমোক্রেসি এক্টিভিষ্টশিংনা জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা এলেক্সে নভালনিবু থাদোরক্কবা খোঙজঙশিং মফম মফমদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লি। খোঙজঙ চঙশিনবদা শরুক য়াখিবা নভালনিগা কা হেন্না নক্কবা মীওইশিং রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফাজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

পাকিস্তানদা এক্সপ্রেস ত্রেন থেংজিন্নবদগী শিখিবা মশিং ৬২ শুখ্রে, অশিবা মশিং হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি: রিপোর্ট

করাচি, জুন ০৮ (এজেন্সী) :

নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাকিস্তানগী সিন্দ প্রোভিন্সিতা থোকখিবা ত্রেন থেংজিন্নবগী থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশিং ৬২ শুখ্রে, ১০০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে। মখা তানা অশিবগী মশিং হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

পাকিস্তানদা থোকপা ত্রেন এক্সিদেন্টশিংগী মনুংদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী হেন্না মীশি মীনা থোকহনবা ওইরি। ঙরাংফাওবদা ত্রেন এক্সিদেন্ট অদুদা খুদক্কী ওইনা মীওই ৪০ শিখি হায়না রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফোঙদোকখিবনি। মখা তানা চথখিবা মী কনবগী থবকশিংদা অশিবগী মশিং ৬২ শুরকখিবনি। হৌজিকসু থেংজিন্নবগী থৌদোক অদুদা অকায় অতোয় থোক্লবা ত্রেন বোগীশিং অদুগী মনুংদগী মী লৌথোকপা মপুং ফানা লোয়দ্রি। মসিনা মরম ওইরগা অশিবগী মশিং হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি হায়নসু রেস্ক্যু ৱার্করশিংগী মরক্তগী ফোঙদোক্লরক্লি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরমফাওবগী মনুংদদি মী কনবগী থবক মপুং ফানা লোয়শিনবা ঙল্লগনি অমদি এক্সিদেন্টতা অমাং অতা থোকখ্রবা ত্রেন ট্রেক অমদি অতোপ্পা মাঙহন তাকহনখিবা শরুকশিং শেমজিনবা অমদি শেংদোকপা লোয়রগনি হায়নসু মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

অমরোমদা পাকিস্তান পিপলস পার্টিগী চেয়রমেন বিলাৱাল ভুতো জরদারিনা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুবু নুঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা অখন্নবা কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎহন্নবা অকনবা মওংদা তকশিল্লক্লি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ইম্রান খাননা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দগী পাকিস্তানদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা ত্রেন এক্সিদেন্ট থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হেনগৎলক্লবসু হিরম অসিদা মায় ওনশিনবগী মহুত্তা হৌজিক লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টরশিংনা মশা মশাগী য়াইফনবগী খন্দুনা লন্নাই ওইবা পোলিটিক্স তৌদুনা লৈরে হায়রি।

লৈবাক অদুদা লৈরিবা অতোপ্পা ওপোজিসন পার্টিশিং পাকিস্তান মুস্লিম লীগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) অমসুং জামিঅট উলেমা-ঈ-ইস্লাম- ফাজল (জে য়ু আই-এফ) কী মায়কৈদগীসু থৌদোক অদুগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি দিবেট অমা তৌনবা দিমান্দসু তৌরক্লি।